# কাউন্টরএটেক মরক্তা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা ক্রুস মিসাইলশিং কাপশিনখ্রে, মীওই তরুক শিখ্রে, য়ুম কয়া তেক কায়খ্রে



**কিভ, জুন ১৬ (এজেন্সী):**
রসিয়ন ফোর্সশিংনা য়ুক্রেনগী খা থংবা সিটি ওদেসাদা ক্রুস মিসাইল কয়া কাপশিনখিবগা লোয়ননা ইষ্টর্ন দোনেস্ক রিজনদা সেল এটেকশিং চথখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিখ্রে অমসুং য়ূম কয়া অমাঙ অতা থোকখ্রে হায়না য়ুক্রেনগী রিজনেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। থা ১৬ লোম চুপ্পা চথরকখিবা লানদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা হন্দক্তা য়ুক্রেনগী মফম কয়াদা নোংথক্তগী এটেক তৌবা হেনগৎলকখি হায়না য়ুক্রেনগী মিলিটরি স্পোক্স পার্সন অমনা ফোঙদোরক্লি।

চৈরকসিদা লৈবাক অসিগী আর্মদ ফোর্সেসনা মখোয়গী কাউন্টর ওফেন্সিবকী অঙনবা তাঙ্কক্তা মওং খরদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্লি হায়রি।

রসিয়ানা কন্ট্রোল তৌরিবা য়ুক্রেনগী লম অপুম্বগী শরুক মঙা থোকপগী অমরোম অমুক হন্না লৌশিনবা ঙম্নবগী পান্দমগা লোয়ননা কিভনা রসিয়ন ফোর্সশিংগী মায়োক্তা কাউন্টর ওফেন্সিব অমা চথরকখিবনি। দিপ্যুটি দিফেন্স মিনিষ্টর হানা মলিয়রনা ফোঙদোকখিবদা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা তপ্পা তপ্পা রসিয়ন ফোর্সশিংগী মায়োক্তা চঙশিল্লি। নোংচুপ্পলোমগী এনেলিষ্টশিং অমসুং মিলিটরি ওফিসলশিংনা হায়রিবদি য়ুক্রেনগী মফম কয়াদা ফিভম চেৎনা লৈরিবা খুৎলায় মতিক চানা পায়রবা অমসুং মশিং য়াম্লবা রসিয়ন ট্রুপশিংবু তকথোকপা হায়বসি চহী কয়া চঙবা য়াই।

য়ুক্রেনগী ট্রুপশিং দোনেস্ককী সিটি বাকমুটকী ফ্রন্টলাইনগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংদা মিটর ২০০-৫০০ ফাওবা চঙশিনবা ঙমখ্রে অমদি খা থংবা জাপোরিজিয়া রিজনদনা মিটর ৩০০-৩৫০ রোম চঙশিনবা ঙমখ্রে হায়না মালিয়ারনা ক্লেম তৌখি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা রসিয়ানা আর্টিল্লরি অমসুং এয়র পৱারদা চাংদম্নবদা য়ুক্রেনদগী য়াম্না হেল্লবসু অমদি রসিয়ন ট্রুপশিংনা মশিং য়াম্লবা লেন্দ মাইন্দশিং ফুম্লম্লবসু য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা ফ্রন্ট লাইন কয়াদা লেপ্তুনা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমখি।

য়ুক্রেনিয়ন মিনিষ্টর অসিগী মতুং ইন্না রসিয়ানা মপুং ফানা লান্দাবা হৌখিবদগী য়ুক্রেননা লানফমদা মীশি মীনা অমদি অমাঙ অতা নঙবগী চাং অসি রসিয়ন ট্রুপশিংগা চাংদম্নবদা য়াম্না নেম্মী হায়না লৌবা য়াই। কাউন্টর ওফেন্সিব হোংজিনখিবগা লোয়ননা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা তোঙান তোঙানবা ফ্রন্ট লাইনশিংদা চঙশিন্নবা হোৎনবা হায়বসি তরাইবা থবক অমা ওইরোই হায়না মশক মমিং খঙহন্নিংদবা নোংচুপলোমগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

ওফিসল অসিনা হায়রিবদি ফ্রন্টকী সেক্তর পুম্নমক্তা অকনবা লান শোক্লরি। হৌজিক রসিয়ন সেক্যুরিটি জোনলোমদা আর্মর অমসুং হেভি ইক্কিপমেন্ট লেপ্তুনা থাজিল্লি। ওদেসাদা চথখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইক অমদা ফুদ ৱায়র হাউস এমপ্লোয়ি অহুম শিখি অমদি য়ুম কয়া, দুকান কয়া অমদি কেফে কয়া অমাঙ অতা থোকখি। ষ্ট্রাইক অদুদা অতে মীওই ১৩ সু অশোক অপন নঙখি।

ব্লেক সীদগী পোর্ট সিটি অদুদা চথরকখিবা এটেক অদু চয়োল অমগী মনুংদা অনীরকশুবনি অমসুং মদুদা কালিবর ক্রুস মিসাইল মরি শীজিন্নখি। ক্রুস মিসাইল মরিদুগী মনুংদা অহুম য়ুক্রেনিয়ন এয়র দিফেন্সনা ইন্টরসেপ্ট তৌখি। য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা দোনেস্ক প্রোভিন্সকী গভর্ণর পেবলো কিরিলেনকোগী মতুং ইন্না ক্রামাটোস্ক অমসুং কোষ্টিয়ানটিনিপকা সিটিশিংদা সেল এটেকশিং চথরকখিবদগী য়ুম তরেৎ কায়খিবগা লোয়ননা অতৈ য়ুম কয়া অমাঙ অতাশিং থোকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিখ্রে। কিভকী ট্রুপশিংনা তপ্পা তপ্পা চঙশিল্লিবা দোনেস্ককী ফ্রন্ট লাইন পরিংদা লৈবা টাউন অমসুং ভিলেজ ১০ দসু মিসাইল অমদি সেল এটেকশিং চথরকখি।

# নোর্থ কোরিয়াগী স্পেস রোকেটকী কায়রবা শরুকশিং সাউথকী মিলিটরিনা সমুদ্রদগী লৌখৎখ্রে

**সিওল, জুন ১৬ (এজেন্সী):**
য়েল্লো সীদা তাশিনখিবা নোর্থ কোরিয়াগী স্পেস রোকেটকী অকায় অতোই নঙলবা শরুকশিং সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা লৌখৎলে হায়না সিওলগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা চয়োল অমা চুপ্পা চথরকখিবা সালবেজ ওপরেসন লোইশিনখ্রে।

জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফ (জে সি এস) না হায়রিবদি শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৮.৫০ রোম তাবদা মিলিটরিনা রোকেট অদুগী অনীশুবা ষ্টেজনি হায়না হান্না খন্নখিবা অকায় অতোইগী শরুক অদু লৌখৎখি।

পোৎশক অদু লৌখৎতুনা প্রোব চথরবদি নোর্থকী অশানবা রোকেট দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী প্রোগ্রেসকী মরমদা খঙবা ঙমগনি হায়না থাজনবা লৈরিঙৈ মরক্তা কায়খ্রবা রোকেটকী শরুক অদুবু ঈশিং মনুংদগী লৌখৎলিবা অদু মরু ওইবা খোঙথাংনি হায়না লৌনরি।

হৌখিবা মে ৩১ দা নোর্থ কোরিয়ানা মিলিটরি রিকোনিসন্স সেটলাইট অমা ওইরিবা ‘মালিক য়োং-১’ পুবা অনৌবা রোকেট ‘চোলিমা-১’ অমা লোঞ্চ



তৌখিবদা মদু অনীশুবা ষ্টেজকী ইঞ্জিনদা অশোয়বা খরা লৈবগী মওংদা মহৌশাগা মান্নদবা ফিভম খরা লাকখিবগা লোয়ননা সমুদ্রদা তাশিল্লগা কায়খিবনি। নুমিত্তুমক্তদা সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবা ঈথৎ ইয়োচিয়োংগী নোংচুপলোমদা কিমি ২০০ রোম লাপ্পা ঈশিংদা তাশিনখিবা অকায় অতোইগী শরুক অদু খঙবা ঙমখিবনি। তৌইগুম্বসুং পোৎশক অদু লূম্মনখিবনা মরম ওইবনা মিটর ৭৫ লূবা সমুদ্র খোঙনুংদা তাশিনখি।

মিলিটরিনা অহানবদা রোকেটকী অকায় অতোইগী শরুক অদু রোকেট অপুম্বদুগী তঙ্খায় অমরোম হায়বদি মিটর ১৫ রোম ওইরমগনি হায়না পাখি।

মিলিটরিগী এসেসমেন্ট অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা পোৎশক অদুবু এনালাইসিস তৌরবদি নোর্থ কোরিয়াগী রোকেট টেক্নোলোজি কদায় ফাওবদা খুমাঙ চাওশিল্লবগে হায়বদু খঙবদা মতেং ওইরগনি হায়বগী থাজবা হেনগৎলকখি।

রোকেটকী শরুক অদুবু সমুদ্র খোঙনুংদগী লৌখৎনবা হোৎনবদা নেভিনা অখন্ননা ট্রেন তৌরবা দাইবর গ্রুপ অমা, সালবেস অমসুং রেস্ক্যু জহাজ অনী রোক্স টোংয়োং অমসুং রোক্স গোংয়াংগা লোয়ননা রোক্স চিনগেজিন সবমেরিন রেস্ক্যু জহাজ অমদি পি-৩ মেরিটাইম পেট্রোল এয়রক্রাফট অমা দিপ্লোই তৌখি।

# পিওংয়াংগী লোঞ্চ মতুংদা য়ুএসকী ন্যুক-পৱার্দ সবমেরিন সাউথ কোরিয়াদা থুংখ্রে

**সিওল, জুন ১৬ (এজেন্সী):**
নোর্থ কোরিয়ানা বেলেষ্টিক মিসাইল অমা লোঞ্চ তৌখ্রবা মতুংদা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা চহী তরুক্কী মনুংদা অহানবা ওইনা য়ুএসকী ন্যুক্লিয়র পৱার্দ গাইদেদ মিসাইল সবমেরিন (এস এস জি এন) অমা সাউথ কোরিয়াদা থুংখ্রে।



সাউথকী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি ওহাইয়ো-ক্লাস এস এস জি এন, য়ু এস এস মিচিগন অদু নোর্থ কোরিয়ানা অচৌবা লাইভ-ফায়র ড্রিল অমগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবগী ইঙ্গিৎ অমা ওইনা শগোলশেল নুমিত্তা ইষ্ট সীদা সোর্ট-রেঞ্জ বলেষ্টিক মিসাইল অনী কাপশিনখিবা মতুংদা সিওলগী খা নোংপোকলোমদা কিমি ৩২০ লোম লাপ্পা বুসানদা লৈবা মরু ওইবা নেভেল বেজ অমদা থুংখিবনি।

মদু কুমজা ২০১৭ গী ওক্তোবর মতুংদা য়ুএসনা সাউথ কোরিয়াদা এস এস জি এন অমা থাবা অহানবনি। সবমেরিন অদু জুন ২১ ফাওবা সাউথ কোরিয়াদা মখা তানা লৈগনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

য়ুএসকী ন্যুক্লিয়র পৱার্দ সবমেরিন অদুনা সাউথ কোরিয়াদা থুংলিবদু হৌখিবা এপ্রিলদা প্রসিদেন্ট য়ুন সুক য়িওল অমসুং য়ুএসকী মহাক্কী লেঙমান্নবা জো বাইদেননা মখোয়গী সবমিট মনুংদা ইস্যু তৌখিবা ৱাশিংতন দিক্লারেসনগী খুথাংদা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ষ্ট্রেটেজিক এসেটশিং চাং নাইনা উহনবা হেনগৎহল্লগনি হায়না য়ুএসনা লাউথোকখিবা মতুংদনি।

রোক (রিপব্লিক ওফ কোরিয়া) ফ্লিট কম্মান্দর ভাইস এদমিরেল কিম মিয়ুং-সুগী ৱারোল পল্লদুনা য়োহাপ ন্যুজনা হায়রিবদি য়ুএসকী এস জি এন অদুনা সাউথ কোরিয়াদা লাক্লিবদুনা ৱাশিংতন দিক্লারেসনদা য়াওরিবা এগ্রিমেন্ট অদু ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা চাওনা মতেং ওইরগনি।

খোঙথাং অদুনা মিলিটরি পার্টি উত্তুনা মরা তপ্পা ফিভম লিংননবা সাউথ কোরিয়া-য়ুএস এল্লায়ন্সকী ফিরেপ অমসুং কেপেবিলিটিশিং অদু ময়েক শেংনা উৎলি হায়রি।

টন ১৮,০০০গী এস এস জি এন অসি মিটর ১৭০ শাংই অমসুং কিমি ২৫০০ শানবা টোম হোক মিসাইল ১৫০ ফিট তৌবা য়াই।

# বাংলাদেশকী জমালপুরদা এটেক তৌখিবা জর্নেলিষ্ট লৈখিদ্রে

**ধাকা, জুন ১৬ (এজেন্সী):**
হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা বাংলাদেশকী জমালপুর দিষ্ট্রিক্টতা থবক্তগী ময়ুমদা হল্লকপদা মশক খঙদবশিংনা এটেক তৌখিবা বাংলা ন্যুজকী জমালপুর দিষ্ট্রিক্ট করেস্পোন্দেন্ট গোলাম রবানি নদিম ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

ইকাটোর টিভিগী করেস্পোন্দেন্টসু ওইরিবা মশাগী চহী ৪৫ রোম শুরবা জর্নেলিষ্ট অদু মাইমেনশিং মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিটালদা লৈখিদবনি। মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিটাল অদুগী পুলিস কেম্পতা সব ইন্সপেক্তর ওফ পুলিস রালিকাট ইস্লামনা হায়খি, মদুদি জর্নেলিষ্ট নদিম ঙসি পুং ১১ রোম তাবদা হোস্পিটালদা পুরকখি অমসুং মহাক লায়কন্নরিঙৈ মতুং নুংথিল পুং ৩ রোম তাবদা লৈখিদবনি।

অতোপ্পা পুলিস ওফিসল সোহেল রানানা ফোঙদোরকখিবদা জর্নেলিষ্ট নদিম য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবদা জমালপুরগী অতাথি এরিয়াদা চথরকখিবা এটেক অদুদা ফিভম লুনা শোকখি।

মহাক থবক মফমদগী ময়ুমদা হল্লকপদা মীওই ১২ রোমগী কাঙবু অমনা এটেক তৌখিবনি। লোকেল জর্নেলিষ্টশিং অমসুং লম্বীদা চৎপা মীওই খরনা মহাকপু রেস্ক্যু তৌখি অমসুং বাক্সিগঞ্জ উপ জিল্লা হেল্ঠ কমপ্লেক্সতা পুখি। নুমিত্তুগী অহিং অথেংবদা মহাক জমলপুর জেনরেল হোস্পিটালদা হোংদোকখি। মহাক্কী ফিভম লুশিল্লকখিবগা লোয়ননা মহাক মফমদুদগী ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা মাইমেন সিংহ মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিটালদা পুখিবনি।

নদিমগী মচানুপা অব্দুলা অল মামন রিফাদনা মহাক্কী মপাদা এটেক তৌরিবদু ন্যুজ আর্টিকেল অমগা মরী লৈননা সদরপুরা য়ুনিয়ন পরিষদকী চিয়ারমেন মহমুদুল অলম বাবুগী মীওইশিংননি হায়না ক্লেম তৌখি।

অদুম ওইনমক মহমুদুল অলম বাবুনা এলিগেসনশিং অদু রিজেক্ট তৌখি অমসুং মহাক নদিমগা নুংঙাইনদবা অমত্তা লৈতে। লোয়ননা মহাক এটেক অদুদা চেন্নদে হায়খি। নদিমগী লোইনবী মোনিরা বেগম্না অথুবদা এটেক্করশিং অদু ৱায়েল মায়োক্লহন্নবা দিমান্দ তৌখি।

# ইন্দিয়াদগী হৌখিবা নুপা অমা থাংনা থিল্লগা হাৎখিবগা মরী লৈননা মীওই ৩ কনভিক্সন পীখ্রে

**লন্দন, জুন ১৬ (এজেন্সী):**
হৌখিবা চহীদা সাউথ-ৱেষ্ট লন্দনদা লৈবা পব অমগী মপানদা ইন্দিয়ন-ওরিজিন নুপা অমা থাংনা থিল্লগা হাৎখিবগা মরী লৈননা মীওই অহুম কনভিক্ট তৌখ্রে অমসুং মখোয় মতুং তাবা নুমিৎ অমদা চৈরাক পীরগনি হায়না মেট্রোপোলিটান পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।



করিমজিৎ সিংহ রিল (৩১) কৌবা ইন্দিয়ন ওরিজিন নুপা অদু হৌখিবা চহীগী জুন ২৫ দা হোন্সলোরগী ষ্টেন্স রোদতা লৈবা পব অমগী থোঙজিলদা তারগা লৈরম্বনি। পব অদুগী ষ্টাফ অমসুং কষ্টমরশিংনা ফর্ষ্ট এইদ পীরিঙৈদা লন্দন এম্বুলেন্স সর্ভিস অমসুং পুলিস মফম অদুদা থুংলখি।

অদুম ওইনমক কাম হায়নসু খঙনবা করমজিৎ থৌদোক থোকফম অদুদা শিখি অমসুং মতুং তাবদা পাঙথোকখিবা পোষ্ট-মোর্টেম একজামিনেসন অমদা মহাক্না শিরিবদু থাঙনা থিনবদা হার্টতা শোকপদগীনি হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

লন্দনগী ৱুদ গ্রিন ক্রাউন কোর্টতা চথরকখিবা ট্রাইয়েল য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লোইশিনখিবগা লোয়ননা মশাগী চহী ৩৩ শুরবা ৱেস্লি এঞ্জেল হায়বা মীওই অসি কাম হাৎপগী মরাল লৈরে হায়না লেপখি। মহাক্কী মনাওনুপা মশাগী চহী ২৪ শুরবা নাথন এঞ্জেলদি মীশি অদুদা মরাল লৈরম্বা থেংনদ্রবসু মহাক মশানা অতম্নবা হাৎপদা য়াওদ্রবসু মীশি অদুদা অমদি ভিক্তিম অদুবু কিহন্দুনা মরল মথুম লৌনবা লৌতুনখিবদা চেন্নে হায়বসি য়াজখ্রবনি।

মান্নবা মওংদা মশাগী চহী ২৬ শুরবা বোবি দনলেবিনসু মহাক মীশি অদুদা চেন্নে হায়বসি য়াজখি।

মেদ পুলিস দিক্টেটিব চীফ ইন্সপেক্তর জিন সেলিনা হায়রিবদি এটেক অদু মাঙজৌননা থৌরাং তৌরবা মতুংদা চথখিবনি অমসুং থৌদোক অদুগী ভিক্তিম অদু মহাক্কী শেল অমদি মশাদা য়াওবা অতাংবা পোৎশকশিং মুন্ননবগী পান্দমগা লোয়ননা মহাকপু অতম্না অশোক অপন থোকহন্দনবা মীওই কাঙবু অমনা মহাক্কী ফ্লেটতগী লৌতুনরগা কৌথোকখিবনি।

মেট পুলিস দিক্টেটিবশিংনা মী হাৎপগী ইনভেষ্টিগেসন অমা লোঞ্চ তৌখি অমসুং কাম হায়রিবা মীওই অসি পব অদুগী মায়োক্লবদা লম্বীগী ৱাংমদা লৈ হায়বসি খঙবা ঙমখি। বিল্ডিং অদুদা চৎতুনা য়েংশিনবদা মখোয়না কোরিদোরশিংগী মনুংদা অমদগী ঈখেং মচিৎশিং লম্বী ফাওবা তারম্বা থেংনখি। মহাক্কী ফ্লেটতা চঙলুবদা মখোয়না কেস ওইনা জি বি পি ২৫,০০০ অমসুং য়াম্লবা কোকেন লৈরম্বসু থেংনখি।

# পৱার লাইননা লাম্মে চাকহনবা হন্থহন্নবা ওষ্ট্রেলিয়াগী ভিক্তোরিয়া ষ্টেটনা অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নরগনি

**মেলবোর্ন, জুন ১৬ (এজেন্সী):**
পৱার লাইনশিংনা থোকহনবা লাম্মে চাকপগী থৌদোকশিং হন্থহন্নবা কালেন চঙলক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা অনৌবা টেক্নোলোজিগী রেপিদ আর্ট ফোল্ট করেন্ট লিমিটর (আর ই এফ সি এল) ৪৪ শেম শাদুনা থম্লগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী ভিক্তোরিয়া ষ্টেটকী গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

ভিক্তোরিয়া ষ্টেটকী গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রিবদি ওষ্ট্রেলিয়ন ইনর্জি রিগুলেটরনা এপ্রুভ তৌবা ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর মিলিয়ন ৬৮২ (য়ুএস দোল্লর মিলিয়ন ৪৬৯) গী প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা ফোল্ট আর এফ এফ সি এল অসি কুমজা ২০২৩ গী কালেন থাগী মাঙওইননা মপুং ফানা শেম শারগনি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না আর ই এফ সি এল অসি পৱার লাইনগা উ ৱাশিং নত্ত্রগা নাপি শিংবিশিংগা থেংনবা মতমদা ইনর্জি ফ্লোদা শীংথানিংঙাই ওইনা পনখৈ লৈহনগদবা অমসুং পৱার থিংজিনবা ঙম্বা অচৌবা ‘সেফতি স্বিটস’ অমনি।

কুমজা ২০১৯-২০ গী মনুংদা থোকখিবা ব্লেক সম্মর বুস ফায়রশিংগী মনুংদা আই ই এফ সি এল খরগী টোটেল ফায়র বেন নুমিৎশিংদা ৫৭ লক এক্তিবেট তৌখি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হায়রিবদি লাম্মে চাকপা থিংননবা আর ই এফ সি এল শীজিন্নবা অসি মালেমগী অহানবা প্রেক্তিসশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং টেক্নোলোজি অসি য়ুএসকী লাম্মে চাক্কনবা মফম খরদা চাংয়েং তৌখ্রে।

# সুদানদা মীয়ামগী অৱা অনাশিং হেনগৎলক্লি: য়ুএন ওফিসল

**য়ুএন, জুন ১৬ (এজেন্সী):**
সুদানগী মিলিটরি ফেক্সনশিংগী মরক্তা চথরক্লিবা লান থা অহুম য়ৌশিল্লকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না মায়োক্লরিবা অৱা অনাগী ফিভমশিং লেপ্তুনা লূশিল্লক্লি হায়না য়ুএন রিলিফ চীফ মার্টিন গ্রিফিটসনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুএন অন্দর সেক্রেটরি জেনরেল ফোর হ্যুমেনিটরিয়ন এফিয়র্স এন্দ ইমর্জেন্সি রিলিফ কোওর্দিনেটর গ্রিফিটসনা সুদানগী দারফুরদা লৈরিবা ফিভম অদু শাথিরবা অৱা অনাগী ক্রাইসিস অমা ওইরক্লগনি হায়নসু ৱার্নিং তৌখ্রে।

মহাক্না হায়খি, মদুদি কনফ্লিক্ট অদুনা মরম ওইদুনা হৌজিক মীওই মিলিয়ন ১.৭ মখোয়গী লৈবাক মনুংদা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লৈফম চাফম খঙদনা লাঞ্জেন্নরি অমসুং মীওই মিলিয়ন তঙ্খায়রোম্না সুদানগী ৱাংমদা চঙজফম লৌনবা হোৎনরি।

য়ুএন ওফিসল অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মেদিকেল অমদি হ্যুমেনিটরিয়ন এসেটশিং হুবা অমদি লাকপগী থৌওংশিং মখা তানা চাওনা চথরি। লৈবাক অসিগী লৌমীশিং মখোয়গী



লৌবুকশিং য়ৌবা ঙমদবদগী লৈবাক অসিদা ফুদ ইন সেক্যুরিটিগী রিস্ক হেনগৎলক্লি। লৈবাক অসিদা জেন্দর-বেজ ভাইওলেন্সকী রিপোর্টশিংসু হেনগৎলক্লে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা গ্রিফিটনা হায়রি, মদুদি মীওই কয়া তম্বদা থোক্তবা অৱাবগী ফিভমশিং মায়োক্নদুনা লৈরিবা দারফুরগী হৌজিক লৈরিবা ফিভমশিং অদু থোইদোক্না অৱাবগী মশক্লি। কনফ্লিক্টনা মরম ওইদুনা মখল কয়াগী অৱাবা ফিভমশিং মায়োক্লহনবগী মথক্তা দারফুরদা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা হাৎনা শুনবগী থৌদোকশিংসু হেনগৎলক্লি।

মদুনা চহী ২০ মুক্কী মমাঙদা থোকখিবা কাঙলূপ মশেলগী উংখৎনবা ফিভম অদু অমুক হল্লকহনবা য়াবগী অকিবা লৈহল্লে হায়রি।

গ্রিফিটনা হায়রি, মদুদি হাৎনা শুনবগী থৌদোকশিং অদুনা অৱা অনা তারবশিংবু মতেং পাঙবগী থবক্তা চাওনা অপনবা থোকহল্লে।

কনফ্লিক্ট অদুগী পার্টিশিংদা অমদি মখোয়দা ইথিল পীবা ঙম্বশিংদা মহাক্না তেঙবাংগী পোৎলমশিং অয়েৎ অপন থোকহন্দনা পুথোক পুশিন তৌবা য়াহন্নবা অমদি সুদানগী অতৈ মফমশিংদগী অতোপ্পা মফমশিংদা রিলিফ পর্সনেলশিং চৎপদা খুরৌ থাংহন্দনবা লোয়ননা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদগীসু রিলিফ পর্সনেলশিং দারফুরদা চঙবা য়াহন্নবা মহাক্না আপিল তৌখি।

লমদম অদুদা মীওই মিলিয়ন ৯ না তেঙবাংগী পোৎলমশিং ঙাইদুনা লৈরিবনি। হৌজিক দারফুর য়াম্না থুনা মখল কয়াগী অৱা অনাশিংনা থল্লবা মফম অমা ওইরক্লি। মালেম্না অসিগুম্বা ফিভম অসি লাকহন্দনবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং য়াম্না থুনা লৌখৎপা হায়বসি মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ফিনলেন্দগী নিগোসিএটরশিংনা কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট শেম্বগী ৱাফম য়ানখ্রে

**হেলসিনকি, জুন ১৬ (এজেন্সী):**
ফিনলেন্দদা কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ৱারী শান্নরকখিবা পার্টি মরিগী নিগোসিএটরশিংনা লৈবাক অদুদা গভর্ণমেন্ট শেম্বগী মতাংদা মখোয়গী মরক্তা য়ানবা পুরক্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট অদুদা কঞ্জার্বেটিব নেসনেল কোল্লিসন পার্টি, রাইট-ৱিং ফিন্স পার্টি, ফিন্স খৃষ্টান দিমোক্রেটস অমসুং স্বেদিস পিপলস পার্টিসু য়াওগনি। পার্টি মরিগী নিগোসিএটরশিংনা গভর্ণমেন্ট প্রোগ্রামগী মতাংদা য়ানখিবদুগী মতুং ইন্না নেসনেল কোল্লিসন পার্টিগী লিদর পেটেরি ওরপোনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি। অতৈ মিনিষ্টরশিং অমসুং পোর্টফোলিওশিং হৌজিক ফাওবগী ওইনদি য়েন্থোকপা লৈত্রি। ফিনিস পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরক্তা য়ানদুনা পুরক্লিবা গভর্ণমেন্ট প্রোগ্রাম অদু মখোয়গী মরক্তা নিগোসিএসন চথদুনা লাকপনি। মদুনা চহী মরিগী পার্লিয়ামেন্টরি টর্ম মনুংদা কোল্লিসনগী থবক থৌরমশিংগী রোদ মেপ অমা পীরি। প্রোগ্রাম অদুগী অকুপ্পশিং ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা লাউথোক্কনি হায়রি।

পিএম ওইরগদবা ওরপোনা হায়রিবদি কোল্লিসনগী থবক থৌরমশিং খুদোংচহন্নবগী অকুপ্পশিং ঐখোয়না কুপ্পা খন্নখি। তোঙান তোঙানবা হিরমশিংগী মতাংদা ঐখোয়না এগ্রিমেন্ট কয়া পুরক্কবসু হোৎনখি। কোল্লিসন অদুনা সোসল দিমোক্রেটিক পার্টিগী পিএম সনা মরিননা লুচিংবা লেফ্ট-সেন্টর কেবিনেটকী মহুৎ শিনগদৌরিবনি। গভর্ণমেন্ট ট্রাঞ্জিসনগী অকক্নবা নুমিৎ হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লাউথোক্ত্রি।


राष्ट्रीय न्यायालयिक विज्ञान विश्वविद्यालय
(राष्ट्रीय महत्व का संस्थान, गृह मंत्रालय, भारत सरकार)
**National Forensic Sciences University**
(An Institution of National Importance under Ministry of Home Affairs, Government of India)
गृह मंत्रालय MINISTRY OF HOME AFFAIRS

**Institute of Forensic Sciences for Training & Skilling,**
**National Forensic Sciences University-Manipur Campus,**
**MPTC Compound (Southern Wing), Pangei, Imphal East-795114**

NOTIFICATION
8TH JUNE, 2023

1. **No. NFSU/NOTICE/2023/001**: This is to notify in continuation to our previous advertisement, dated 22nd, 29th & 30th April, 2023 that the last date of admission on offline mode to five P.G. Diploma Courses in 1) Forensic Ballistics 2) Forensic Documents Examination, 3) Drug & Substance Abuse Laws, 4) Crime Scene Management and 5) Cyber Crime Investigation for the academic year 2023-24 has been extended till 20th July, 2023. Few seats are available in each course and to be admitted on first come first basis (20 seats only in each course).

2. Aspirants are requested to visit the campus to avail the offline form and submit to the campus for further processing.

3. Visit Timings: 9:30 am to 1:30 pm

4. Contact No: +91-9233591616

Sd/-
(Dr. Biswajit Dey)
Co-ordinator

HL-P/4439/17,18



**ADMISSION OPEN**
**NURSING & PARAMEDICAL**
Under the Government of Manipur



100% Job Guaranty
* Smart Internship facilities to several diagnostic centre and Hospitals.
* Scholarship Facility, Govt. of Manipur
* Low fees, Seat are limited
* IN-House Practical Facilities.

FREE DIPLOMA COURSE ADMISSION FOR THOSE VICTIMIZE HOMELESS STUDENTS ON CURRENT ISSUE OF MANIPUR

**10 Passed & Above**
1. Diploma in Radiology & Imaging Technology (DRIT) (Ultrasound, MRI, CT - Scan, X-ray)
2. Diploma in Medical Laboratory Technology (DMLT)
3. Diploma in Operation Theatre Technology (DOTT)
4. Diploma in Dialysis
5. Diploma in Sterilization
6. Diploma in Electrocardiogram (ECG)
7. Diploma in Ultrasonography
8. Diploma in Opthamic
9. Diploma in Dental Assistant
10. Diploma in Anaesthesia

**12 Passed (Arts/Science) & Above**
1. General Nursing & Midwifery (GNM)
2. B. Sc. in Radiology and Imaging Technology
3. B. Sc. in Medical Laboratory Technology
4. B. Sc. in Operation Theatre Technology
5. D. Pharm/B. Pharm/M. Pharm/Ph.D (OM)
6. Doctor of Acupuncture/Alternative Medicine
7. Diploma/B. Sc. Physiotherapy (OM)
8. Diploma/B. Sc. Optometry
9. B. Sc. Echo Cardiac

SAINA INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCE (SIMS)
Porompat Crossing Opt. SBI, Imphal East, Manipur.
# 03852443946 / 7005572416 / 9856617378 / 6033908318 / 7005687097
Website : www.simsmanipur.com

(HL-P/4436/13/6-11/7 (alt



**NORTH EASTERN ENGLISH SCHOOL**
(A co-educational Higher Secondary School
Moirangkampu, Tinsid Road, Khewa Bazar,
Imphal East, Manipur - 795005

**ADMISSION OPEN FOR XI-SCIENCE 2023-24 SESSION ONLY @ 3000/-**

NO MONTHLY TUITION FEES
SEATS ARE LIMITED
HURRY HURRY HURRY

Contact : 8974774962

Sd/-
Secretary, SMC
NORTH EASTERN ENGLISH SCHOOL

HL-P/6778/13,15,17